# দি এম রাওনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা অৱাং সেকমাইদা লৈবা এস কে ৱাই সিগী গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগালোয়ননা দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রে।

সুপর দিভিজনগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা লীগ অসিদা দি এম রাওনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ মঙা মায় পাকখি। মেচ অমনা দ্রো ওইখি অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পূন্না পোইন্ট ১৬ ফংলগা লীগকী ৱিন্নর ওইখিবনি।

বি এম এস সি তাওবুংখোক্লা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ মঙা মায় পাকখি। মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা অনীশুবা তাখি। এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ মরি মায় পাকখি। মেচ অমনা দ্রো ওইখি অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফংলগা অহুমশুবা তাখি।

ৱাই দি ওনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখি। মেচ অনীনা দ্রো ওইখি। মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা মরিশুবা তাখি। চিকল লীলোং চজিংনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখি। মেচ অমনা দ্রো ওইখি। মেচ অহুমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১০ ফংলগা মঙাশুবা তাখি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা পোইন্ট ৯ ফংলগা তরুকশুবা, ৱাই দব্লিয়ু সি মালোম্না পোইন্ট ৪ ফংলগা তরেৎশুবা অদুগা থাউ থাংমৈবন্দনা পোইন্ট অহুম ফংলগা নিপানশুবা পোজিশন্দা লৈখি।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইনা দি এম রাও গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা এস কে ৱাই সি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখিবগা লোয়ননা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। মেচ অদুদা দি এম রাও মায়থীজরবসু সুপর দিভিজন লীগ অসিগী চেম্পিয়নগী মফম অদুমক কনবা ঙমখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস কে ৱাই সিগী অহানবা গোল এন জি বিশ্বরজিৎনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি। ঙাইরাকুমনা ওন গোল অমা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অনী শুখি। মেচ অদুগী ৪০ শুবা মিনিটতা এস কে ৱাই সিগী টি ঐচ বিনোদনা অহুমশুবা গোল চনখি। মায়থীহৌরবা দি এম রাওগী গোল অনী অদু থঙ্গাতালনা মেচকী ৫২ অমসুং ৬২ শুবা মিনিটতা চনখি।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ইরোয় লোইবা লীগ মেচতা চিকল লিলোং চজিংনা মণিপুর পুলিস গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চিকলগী গোল অনী অদু কে ঐচ হেরোজিৎ অমসুং এল কহ্নাইয়ানা চনখি। মণিপুর পুলিসকী গোল অদুনা খেম বহাদুরনা চনখি।

## ষ্টেট এজ গ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ৩৬ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ চহীসিগী ওক্তোবর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি ইতো তোংব্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা এথলেটশিংনা ওক্তোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী এন্ট্রি পীশিল্লক্কদবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা এথলেট অমনা ইভেন্ট অনীদগী হেন্না শরুক য়াবগী অয়াবা লৈতে। অদুম ওইনমক ইভেন্ট অহুম শরুক য়াবগী অয়াবদি মেন'স অমদি ৱিমেন'স ওপন্দদি লৈ হায়রি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী টিম ইভেন্টকী ওইনা এদমিসন ফি লুপা ৫০০ নি। অদুগা এথলেট অমগী এদমিসন ফিনা লুপা ১০ নি। হায়রিবা ফি অসি ইভেন্ট খুদিংমক্কী লৌরোই হায়রি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগকী মেচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
এফ সি জালেন অমসুং ত্রাও ক্বাকৈথেল অনীনা ঙসি ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ১৭ শুবা মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দগী ফীভম শান্নবা য়াদবদগী মেচ অদু য়ৈথোকখ্রে। হায়রিবা মেচ অসি করম্বা মতমদা শান্নগদগে হায়বা গ্রাউন্দগী ফীভম ফরবা মতুংদা খঙহল্লক্কনি হায়রি।

# আর ৱাই সি মায় পাকখ্রে, কুকি এস সি অমসুং এল এল এফ সি দ্রো ওইখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৬ শুবা পি টিলোতমা দেবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আর ৱাই সি মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা কুকি এস সি অমসুং এল এল এফ সি দ্রো ওইখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা আর ৱাই সিনা সেক বোষ্টি য়ুথ ক্লব গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা আর ৱাই সিনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখিবগা লোয়ননা সেক বোষ্টি য়ুথ ক্লবনা বোল পায়দুনা শান্নবা হৌখি।

মায় পাক্লবা আর ৱাই সিগী কুইগোপৌনা গোল মরি থংনা থংননা মেচকী ১২ শুবা, ৩৩ শুবা, ৩৬ শুবা অমসুং ৪৬ শুবা মিনিটতা চন্দুনা হেটট্রিক ফংদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। টিমদুগী মঙাশুবা গোল নৈলাচুন্না মেচকী ৭৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা সেক বোষ্টি য়ুথ ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রোচানা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা কুকি এস সি অমসুং এল এল এফ সি গোল ৩-৩ দা দ্রো ওইখ্রে।

মেচ অদুদা কুকি এস সিগী গোলশিং অদু থাংবোইনা গোল অমা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা লালবোইনা গোল অমা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা অদুগা দেভিদনা গোল অমা মেচকী ৭৪ শুবা মিনিটতা চনখি। এল এল এফ সিগী গোল অদু ললন্না গোল অমা মেচকী ২০ শুবা মিনিটতা, মিমিন্না গোল অমা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা অদুগা গ্যাননা গোল অমা মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। হয়েং এ এম ৱাই সি অমসুং রেলৱে সি সিগা শান্নগনি।

## মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
শিংজমৈ কাংখূৎনা শিন্দুনা চীংঙামথক্তা লৈবা নামৈরাকপম মান্দপ কম কম্যুনিতি হোল শিংজমৈ কাংশঙদা চত্থরিবা মঙাশুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিএল লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাকখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অপূনবা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখূৎনা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎ পাঞ্জল ১৯-১১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎ অনীনা শান্নগনি।

# শিলভর মেদলিষ্ট এন সুরজ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট টি ঐচ লৈমা চনু ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
ভুটান্দা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৫০ শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবদা মেদল লৌরকখ্রবা টি ঐচ লৈমা চনু অমসুং এন সুরজবু হরাউ তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা স্কুল ওফ বোদি বিল্ডরস এন্দ ফিটনেস জিমদা পাঙথোকখ্রে।

জিম অসিগী ওজাশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা টি ঐচ লৈমা চনু অমসুং এন সুরজদা জিম অসিগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল পোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

এসিয়ন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা টি ঐচ লৈমা চনুনা নুপীগী কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি। অদুগা নুপাগী কাঙলুপ্তা এন সুরজনা কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল লৌরকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা ইষ্টর্ন আইরন জিমগী ফাউন্দর পি রোবিন্দ্রো, কে বি বি জিমগী কোচ এস জয়, প্রভাবতি ফিটনেস সেন্তরগী কোচ এন প্রেমনাথ, এল পি জিমগী কোচ অথেম, স্কুল ওফ বোদি বিল্ডর এন্দ ফিটনেস জিমগী মেনেজিং দিরেক্টর টি ঐচ রজিব অমসুং জিম অসিগী চীফ কোচ কে প্রেমজিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশন্না শিন্দুনা ১৪ শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট চহীসিগী ওক্তোবর ২৩ দা কোদোম্পোকপী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্টেষ্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা কেটগোরি মরিদা অথোই অহেন তান্নগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা কেটাগোরিশিং অদুদি সেনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর অমসুং ৱিমেন ফিটনেসনি।

সেনিয়রগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ২০, জুনিয়রগীদা লুপা লিশিং ১০, মাষ্টরগীদা লুপা লিশিং ৭ অমদি ৱিমেন ফিটনেসকীদা লুপা লিশিং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি।

HL-B/3217/2/7-12/8(alt.)







Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437)
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

# ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা বিষ্ণুপুর সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরকখিবা তরুকশুবা দাংমৈ মজাবুই কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রে।

সুপর দিভিজন লীগ অসিদা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা মেচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৱিন্নর ওইখি। এফ সি মোইরাংনা মেচ অহুম শান্নখিবদা অনী মায় পাকখি অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট তরুক ফংলগা অনীশুবা তাখি। অমোফা মোইরাংনা মেচ অহুম শান্নখিবদা মেচ অনী মায়থীখি অদুগা মেচ অমনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা অহুমশুবা তাখি। সি ৱাই সিনা মেচ অহুম্মক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা মরিশুবা তাখি।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেচতা এফ সি মোইরাংনা অমোফা মোইরাং গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এফ সি মোইরাংগী অহানবা গোল দিপক্না মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল সেপসন্না মেচকী ৮১ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা অমোফা মোইরাংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু বিজয়না মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা অমোফা মোইরাংগী গুনিন অমদি রোমেন্দা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

লীগ অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা এন জি অজিৎ, পি বিরেন, ও কুমার, এ নবচন্দ্র অমসুং এস ঐচ জয়াদেবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।


## গোলাপচান্দ সিংহ অমসুং শ্যামা দেবী নীংশিং কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ ঃ
ওল মণিপুর কাং এসোসিএশন (অমকা) না শিন্দুনা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ইমা অঙৌবা কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা চত্থরিবা ২ শুবা দব্লিয়ু গোলাপচান্দ সিংহ অমসুং শ্যামা দেবী নীংশিং কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সি আর সি খুন্দ্রাকপম চাউনা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সি আর সি খুন্দ্রাকপমনা সলুংফম কাংখূৎ পাঞ্জল ৮০-৩২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা তোঙান তোঙানবা গেম মরি শান্নখিবদা সি আর সি খুন্দ্রাকপমনা গেম মরিমক চাওনা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। মথংগী মেচ থা অসিগী ২২ দা সি আর সি খুন্দ্রাকপম অমসুং লাংমৈথেৎ কাংখূৎকা শান্নগনি।

HL-B/3305/8/9-7/10




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com